# ইন্টর স্কুল থাঙ–তা গ্রুপ কম্পিটিসন হৌখ্রে, নবেম্বর ১৫ অসি থাঙ–তাগী নুমিৎ হায়না পালন তৌরগনি–লৈশেম্বা সনাজাউবা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা থাঙ–তা অসি চাউখৎহনবগীদমক অমদি স্কুলশিংদা তম্বীবদা মতিক চাবা ওজা হাপ্পিয়ু হায়দুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মীওইশিংবু লৈঙাক্লা ফাজিন্দুনা জেলদা থমদুনা অৱাবা পীরবা মতুংদা থাদোরকখিবা নুমিৎ নবেম্বর ১৫ অসি চহী খুদিংগী ওইনা থাঙ–তাগী নুমিৎ হায়না পালন তৌরগনি হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ঙসি খুমন লম্পাক মল্টি প্রপসতা কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিয়েল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি ( কিমাক্স)না শীন্দুনা থা অসিগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদবা মরিশুবা ইন্টর স্কুল থাঙ–তা গ্রুপ কম্পিটিসন ২০১৯ ( শাজেল কাঙলোন চাঙদম্নবা)গী হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীবদা ফোঙদোক্লদুনা হায়, ইন্টর স্কুল থাঙ–তা অসিবু শীনলি লাঙলিবশিংনা হায়রিবা নুমিৎ অসিবু থাঙ–তাগী নুমিৎ হায়না লাওথোকপীনবা হায়রকপগী মতুং ইন্না লাওথোকপনি।

মহাক্না মখা তানা, মীশিং য়ামদ্রবসু চহী লিশিং কয়া য়েক্লববু মায়থিবা পীদুনা কনাগীসু মখা পোন্দনা নিংতম্না পালম্বা লৈবাকনা খুলাইসু অফবা পায়দবা মীশিংসু য়ামদবা ঐখোয়না মতম শাংনদগী লৈরক্লবা থাঙ–তা , শগোল কাঙজৈ, অরাম্বাইশিং অসিনা শাঙলবা পূৱারি অসি ঙাক্তুনা থমম্লবনি। লোয়ননা হৌজিক্কী লৈরিবা মিরোলশিংনা করিগীদমক হায়রিবা থাঙ–তাগী শাজেল কাঙলোন চিঙ্খ্রে অচৌবা, চিঙ্খ্রে মচা ফজনা শান্নবা হৈবা মীওশিং দি মশা মউ্ ফবা মরৈবাক নুংশিবা পোকপা মীওইশিং ওইবনা হায়রিবা থাঙ–তাগী কাঙলোনশিং অসি তম্বীবা তঙাইফদে হায়দুনা তাকপী তম্বীবনি।

ঐগী হায়বা ৱাখলনা মাঙ থাদুনা চৎল্লবা সমাজ অসিদা ইশু কয়া অমা লোয়শিনবা ঙমদনা লৈরিবা অসিসু হৌজিক্কী মীরোলশিংনা থাঙ–তাগী মহৈশিং অসি নীংথিনা খঙ হৈরবদি অফবা মীরোল অমা থোলকপা ঙমগনি হায়বগী থজবা লৈ।

মহাক্না মখা তানা থাঙ–তাগীদমক অমদি মরি লৈন্নবশিংনা তোঙান– তোঙানননা লৈন্নবগী মহুৎত্তা থাঙ–তাগীদমক্তা হেন্না চাউখৎনবা খোঙজেল অমত্তগী থৌনা অমত্তা ওইনা লাওমিন্নদুনা মরি লৈন্নবা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং দা তকশিনমিনসি হায়বগা লোয়ননা ইনখৎলক্লিবা থাঙ–তাবু পামজবা নহাশিংদা চম্নদনবা অমত্তা ওইনা পূশিনলসি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদবা ইন্টর স্কুল থাঙ–তা গ্রুপ কম্পীটিসন ২০১৯ ( শাজেল কাঙলোন চাঙদম্নবা ) অসি স্কুল ২১ দগী লাকপা গ্রুপ অমমমনা মীওই ২৫ না শরুক য়াদুনা অথোয় অহেন তান্নগনি।

থৌরম অসিদা কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সিয়েল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি ( কিমাক্স)গী প্রসিদেন্ট থৌনাওজম অজিৎকুমার, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর পাওনম গুনিন্দ্রো, জি পি ৱুমেন কোলেজগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর ডা. ৱাইখোম রোমেস অমদি ডাইরেক্টোরেট ওফ আইয়ুস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী ওফিস কো–ওদিনেটর এস তোঙদাংনা মথংশীৎনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

# এন হজারি অমসুং এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টতা এ আর অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর হোরস রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী ইম্ফালগী মপাল কাঙজৈবুংদা টিম ৩৪ না নোক আউট বেসিসতা শরুক য়াদুনা চথরিবা ৩৪ শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এ আর পোলো টিম অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব 'এ' মায় পাক্তুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।




টুর্নামেন্ট অসিগী ৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দা হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লব লাঙজিং অচৌবা অমদি এ আর পোলো টিমনা শান্নখিবা মেটচতা এ আর পোলো টিমনা হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৭–৫ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এ আর পোলো ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ৫, অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৪, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৩ অমদি অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৫ স্কোর তৌখি। মায়থিরবা হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা ১, অহুমশুবা চক্করদা ৩ অমদি অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা ১ চনখি।

এ আর পোলো ক্লবগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ কে ঐচ সুশিলোনা মিনট ১.৫৬, ৪.৪০, ৫.৩০ দা ৩, জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ চন্দ্রকুমারনা মিনট ৩.০৮,৪.২৪ দা২ চনখি। অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ কে ঐচ সুশিলোনা মিনট ০.৫২,১.০৯ দা ২, জর্সি নম্বর ৩ কে ঐচ চন্দ্রকুমারনা ৩.০৬, ৬.০২ দা ২ চনখি।

অহুমশুবা চক্করদনা জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ প্রেমানন্দনা মিনট ৪.১৫, কে ঐচ চন্দ্রকুমারনা ৪.৫৫, ৭.১১ দা ২ স্কোর তৌখি। অরোয়বা মরিশুবা চক্করদনা চন্দ্রকুমারনা মিনট ০.০৯, ৩.১৩, ৪.৩২ দা ৩, জর্সি নম্বর ৪ রিয়াকদ অলিনা মিনট ২.৩১, কে ঐচ সুশিলোনা মিনট ৬.৩০ দা চনখি।

হন্দ্রেদ এবল পোলো ক্লব লাঙজিং অচৌবগী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ আর কে রোহিটনা মিনট ৬.৫২, অহুমশুবা চক্করদা আর কে রোহিটনা ০.১৮, জর্সি নম্বর ৪ কে রোসননা মিনট ২.০১, ৩.৩২ দা ২ অদুগা অরোয়বা মরিশুবা চক্করগী মিনট ১.৫২ দা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা ইপূধৌ মারজিং পোলো ক্লব হৈঙাং অমদি এম পি এস সি (এ)না শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সি (এ)না ইপূধৌ মারজিং পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ১৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা এম পি এস সি (এ)গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ ৱাই বিনোইনা মিনট ০.৫৮, ১.৪৯, জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা মিনট ৩.০৬ অমদি জর্সি নম্বর ১ টি রোসননা মিনট ৬.২৩ দা চনখি।

অনীশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা এস বিমোলনা মিনট ০.৩, ২.৪২, ৱাই বিনোইনা মিনট ৬.০৫, ৬.৫৪, টি রোসননা মিনট ৭.১৩ দা চনখি।

অহুমশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৫ এম সুরজিৎনা মিনট ০.৫৬, জর্সি নম্বর ৬ এম দেবনাঠনা মিনট ৩.২৬, ৪.২৮, ৬.৩২, জর্সি নম্বর ৪ এম বিবেকান্দনা মিনট ৫.২৯ অমসুং টি রোসননা মিনট ৭.২৭ দা চনখি। অরোয়বা মরিশুবা চক্করদা চনখিবা পাঞ্জলশিং অদুনা এস বিমোলনা মিনট ০.২৯, টি রোসননা মিনট ১.৫৪ অমদি এম দেবনাঠনা মিনট ৫.১৪ দা চনখি।

হয়েংগী অহানবা গ্রাউন্দা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) অমদি কে এন এম এম আর এস (দি) শিংজমৈগা শান্নগনি। অদুগা অনীশুবা গ্রাউন্দনা শামুরৌ পোলো ক্লব (বি) অমদি সি আর পি এফ পোলো টিমগা শান্নগনি।

# য়াইস্কুল কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর কাঙ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা গোপাল দেব কাঙখূৎ য়াইস্কুলনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩ দগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা গোলপাল দেব কাঙশঙদা চথরিবা ৫ শুবা শ্রী শ্রী গোলপাল দেব চহী ৬০ মথক্কী সুপর লীগ কাঙ টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়াইস্কুল কাঙখূৎ মায় পাকখ্রে।

ঙসি য়াইস্কুল কাঙখূৎ অমদি এল এ কে কে ও খোঙহামপাৎ কাঙখূৎনা শান্নখিবা টুর্নামেন্টগী অনীশুবা মেটচতা য়াইস্কুলনা কাঙখূৎনা এল এ কে কে ও কাঙখূৎপু পাঞ্জল ২৫–৬দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কাঙখূৎকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১০ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১৫ স্কোর তৌখি। অদুগা মায়থিরবা এল এম কে কে ও কাঙখূৎ খোঙহামপাৎকী পাঞ্জলশিং অদুনা অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল ৫ অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল ১ খক স্কোর তৌখি।

মায় পাক্লবা য়াইস্কুল কাঙখূৎগী কাঙলোইশিং অদুদি তোম্বা, বিনোই, ও রঞ্জিৎ, ও ইবোমচর, টি ঐচ মমি খাঙানবা, আর কে লৈনুংসনা অমদি সোমোরজিৎনি।

# কুন্থ্রামরিশুবা জুনিয়র ষ্টেট আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর ৯ দগী ইষ্ট্রন য়ুঠ কন্সট্রক্টিব এসোসিয়েসন গ্রাউন্দ পোরোমপাৎ ইম্ফাল ইষ্টতা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়ানিংবা ষ্টেট এসোসিয়েসন অসিনা এফিলেট তৌরবা য়ুনিটশিংনা নবেম্বর ৩ ফাওবগী মনুংদা ইন্ত্রি পীশিনবা য়াগনি লোয়ননা টিমগী ইন্ত্রি ফিনা লুপা ৫০০ নি। ইন্দিভিজুয়েল আর্চরশিংগী ওইনা ইন্ত্রি ফি লুপা ২০০ নি। নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী ওইনা কেটগোরি অমদা অর্চর ২ ।২ পীশিনবা য়াগনি।

ইং ২০০০গী জানুৱারি ১ নত্রগা মতুংদা পোকপা আর্চরশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি অমসুং লোয়ননা এজ প্রুফ সার্টিফিকেট, আধার কার্দ ইন্ত্রি পীশিনলকপা মতমদা লোয়ন্নরক্কদবনি হায়না মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# মিষ্টর খোরিফাবা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

ওল মণিপুর বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট বোডি বিল্ডরস এসোসিয়েসন অনীগী মীৎয়েং মখাদা মিষ্টর খোরিফাবা ওগানাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তবদা নম্বোল বাজার সিটি পার্কিংদা অহানবা মিষ্টর খোরিফাবা বোডি বিল্ডিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ পাঙথোক্লগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসি ব্রিলা ইম্পোরিয়ম প্রাইবেদ লিমিটেদকী ফাউন্দর সি ই ও ৱাই ইরাবন্তনা চীফ গেষ্ট, মিষ্টর খোরিফাবা ওগানাইজিং কম্মীটিগী প্রসিদেন্ট সলাম ব্রজামদিন সিংহনা থৌরমগী প্রসিদেন্ট অদুগা অম্বাগী প্রসিদেন্ট এম রতন, রিটিয়দ প্রিন্সিপাল মোঙজম ইবোহল, রিটিয়দ এসোসিয়েদ প্রোফেসর পি সরতকুমার, বিথ্েল স্কুলগী ফাউন্দর কে তোম্বা, ফিল্ম এক্ট্রেস মন্দা লৈমা, তেকচম চিঙলৈন য়াইফ ওইনাম , মোঙজম ওঙবী অনীতা, অশাকিরন কোন্সম অমদি এম প্রমতিনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

# কাঙজম কর্ণজিৎ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগতা এস এফ সিনা এস দি সিবু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ তগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম গ্রাউন্দা চথরিবা ৯ শুবা কাঙজম কর্ণজিৎ সিংহ নীংশিং সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস এফ সি তেরা মায় পাক্তূনা ফুল পোইন্ট ফঙখ্রে।

লীগকী ১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি এস দি সি শামুরৌ অমদি এস এফ সি তেরানা শান্নখিবা মেটচতা এস এফ সিনা এস দি সিবু গোল ৪–২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা এস দি সি শামুরৌনা গোল ১ মাঙজিল থাখ্রবসু এস এফ সি তেরানা অনীশুবা হাল্ফতা গোল হন্দোক্তুনা মেটচ অসি মায় পাকখিবনি।

মেটচকী অঙনবা মিনট ১২ তা এস দি সিগী জর্সি নম্বর ১৩ ঐচ রাকেসনা গোল একাউন্ট হাঙদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি অদুবু অনীশুবা হাল্ফতা এস এফ সি তেরানা মখোয়গী মাপাঙ্গল ফুদোরক্তুনা এস দি সিবু শীংন্নরক্তুনা মিনট ৬২ অমসুং ৬৪ দা তেরাগী জর্সি নম্বর ১০ টি ঐচ চিঙলেম্বনা গোল ২ চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মিনট ২ কান্নরগা ৬৬ চৎপদা এস দি সিগী টি ঐচ নিটিসনা গোল হন্দোক্তুনা ২–২ দা মান্না লৈদুনা মেটচকী লমজেলদা লাক্লবা হোৎনখ্রবসু এস এফ সিগী জর্সি নম্বর ৩ বোনজিৎনা মিনট ৬৮ তা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা ৩–২ দা মাঙজিল থাখি।

এস এফ সি তেরাগী মরিশুবা গোল অদু মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ২ দা জর্সি নম্বর ১০ টি ঐচ চিঙলেম্বনা মহাক্কী হেদট্রিকগী গোল ওইনা চনখি।

মেটচ অসিদা এস দি সিগী জর্সি নম্বর ৯ নবাকুমার অদুগা এস এফ সি তেরাগী জর্সি নম্বর ৮ খাগেম্বা অমসুং জর্সি নম্বর ১২ বিলা নোমাইথেমদা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি এস ঐচ সুরেস , এ দিলিপ, কে ঐচ রঞ্জিৎ অমদি ৱাই শমরজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# ঐচ আই এস য়ু থৌবালনা দি এফ এ থৌবাল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯গী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা থা অসিগী ৪ দগী টিম ৬ না শরুক য়াদুনা ৱাংজিং স্পোর্টস কম্পলেক্সকী গ্রাউন্দা শান্নবা হৌখিবা দি এফ এ থৌবাল সুপর দিভিজন ফুটাবোল লীগ ২০১৯গী ৱিন্নর ঐচ আই এস য়ু থৌবালনা ওইখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা সিজন অসিগী ৱিন্নরস কপ্পা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মহুৎশীন্দুনা শরুক য়ারগনি।

লীগ অসিদা ঐচ আই এস য়ু থৌবালনা মেটচ ৫ শান্নবদা ৪ মায় পাক্লগা ১ দ্রো চৎতুনা পূন্না পোইন্ট ১৩ ফঙদুনা টেবলগী অহানবা, দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা মেটচ ৫ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎতুনা টেবলগী অনীশুবদা, এস ৱাই দি এ অথোকপমনা মেটচ ৫ শান্নবদা ৩ মায় পাক্লগা ২ মায়থিবা নঙদুনা টেবলগী অহুমশুবা মফম কনখি।

লীগ অসিগী অরোয়বা ১৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি কোন্দামপোকপী কম্পলেক্সতা ঐচ আই এস য়ু থৌবাল অমদি দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা শান্নখিবা মেটচ গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অসি নাকল অনীমক্না লীগ অসিগী ৱিন্নর ওইনবা মায় পাক্তবা য়াবদা মেটচ অমা ওইবনা অঙনবা মিনটতগী খোঙজেল য়াঙনা শান্নবা হৌরকখি অদুবু মিনট ১১ চৎপদা ঐচ আই য়ু থৌবালগী এটেক অমা দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা থিঙবা ঙমহৌদবদগী থৌবালগী জর্সি নম্বর ৭ মালেমঙানবনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনরক্তুনা মিনট ৬৭ চৎপদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১৮ ৱাই সুরজনা গোল হন্দোক্তুনা মেটচকী লমজেলদা লাক্লবা হোৎনখ্রবসু অপীবা মিনট লোয়বা ফাওবদা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসি দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

মেটচ অসিদা ঐচ আই এস য়ু থৌবালগী জর্সি নম্বর ৭ মালেমঙানবা, জর্সি নম্বর ১৬ অঙনবা অদুগা দব্লিউ ৱাই এফ সি ৱাংজিংগী জর্সি নম্বর ৭ ৱাই জয়চন্দ্র অমসুং জর্সি নম্বর ৯ কে ঐচ দেববত্রদা মেটচক কন্দক তৌখিবা রেফ্রিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি কে ঐচ ইবুংঙো সিংহ, মোহমদ লটিফ অলি, এ কে তুনেশ্বর সিংহ অমদি এম ইবোমচা সিংহনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

POINT TALLY

| TEAM | P | W | D | L | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|
| HISU | 5 | 4 | 1 | 0 | 13 | 13 |
| WYFC | 5 | 3 | 2 | 0 | 06 | 11 |
| SYDA | 5 | 3 | 0 | 2 | 01 | 09 |
| SWYC | 5 | 1 | 1 | 3 | -08 | 04 |
| RPU | 5 | 1 | 0 | 4 | -04 | 03 |
| WYC | 5 | 1 | 0 | 4 | - 10 | 03 |

# মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ আর্চরি টুর্নামেন্ট হৌখ্রে, ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজগী মহেশ্বরিনা গোল্ড লৌখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ২৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মীটিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল কোলেজ থৌবালনা য়ুম্বু ওইদুনা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চথগদবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ অর্টরি টুর্নামেন্ট ( এম এন্দ দব্লিউ) ২০১৯ কোলেজ অসিগী প্লে গ্রাউন্দা ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।




হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা. সি ঐচ প্রদিপনা অথোয়বা মীথুংলেন, থৌবাল কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওক্রম চাউবা দেবীনা থৌরমগী মপু অদুগা থৌবাল কোলেজগী কেমিষ্ট্রি দিপার্টমেন্টগী হেদ ডা. এস লোখোননা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

এম য়ু অমদি কোলেজ ১২ তগী লাকপা পূন্না আর্টর ২৭ না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ান রাউন্দ গালর্সতা ৱাইখোম মনি গালর্স কোলেজগী দব্লিউ মহেশ্বরিনা অহানবা, কে ঐচ মলেমঙানবী চনুনা অনীশুবা অমদি অবেসনা ইরোমনা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়ান রাউন্দ বোইজতা থৌ্বাল কোলেজগী এল মিলন মৈতৈনা স্কোর ৬৪৭ দা অহানবা, টি ঐচ হিলরনা স্কোর ৬৪০ দা অনীশুবা অমদি মাইবম জেমসনা স্কোর ৬১১ দা অহুমশুবা তাখি।

রিকপ গালর্সতা বিরমঙ্গোল কোলেজগী কে এস ঐচ মঙলেমসননা স্কোর ৬০২ দা অহানবা, ৱাই কে কোলেজগী কে প্রমেশ্বরিনা স্কোর ৫৩৭ দা অনীশুবা অমদি জি পি ৱুমেন কোলেজগী এল উমিলা গ্রেসনা স্কোর ৫১৭ দা অহুমশুবা তাখি।

রিকপ বোইজতা রিজনেস কোলেজগী এল সমানন্দা মৈতৈনা স্কোর ৫৬০ দা অহানবা অমসুং খা–মণিপুর কোলেজগী ঐচ মোমো সিংহনা স্কোর ৪১০ দা অনীশুবা তাখি।

কম্পাউন্দ গালর্সতা বিরমাঙ্গোল কোলেজগী মুতুম রুপাননা স্কোর ৬৭৪ দা অহানবা, পোল ষ্টার কোলেজগী তৌরাংবম শুশিত্রনা স্কোর ৬৫৩ দা অনীশুবা অমসুং প্রভাপটি কোলেজগী এল দুনিলনানা স্কোর ৬৩৮ দা অহুমশুবা তাখি।

কম্পাউন্দ বোইজতা এম য়ুগী মুতুম মঙাল দিপনা স্কোর ৬২৫ তা অহানবা অমসুং কে পি কোলেজগী খাইদেম নেলসননা স্কোর ৬০৭ দা অনীশুবা তাখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com